# এম এম এ এনা শীন্দুনা চথরকখিবা ৪৪ রক শুবা ষ্টেট লেভেল মণিপুর মাষ্টর্স এথলেটিক্স মীট লোইশিনখ্রে





**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচ এন এস):** মণিপুর মাষ্টর্স এথলেটিক এসোসিএশন (এম এম এ এ)না শীন্দুনা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা নুমিৎ নীনি চুপ্না চথরকখিবা ৪৪ রক শুবা ষ্টেট লেভেল মণিপুর মষ্টর্স এথলেটিক মীট ২০২৫ ঙসি লোইশিনখ্রে।

চথরকখিবা মণিপুর মাষ্টর্স এথলেটিক্স মীটি অসিদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদগী লাকখিবা চহী ৩০দগী ৯০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপা অমদি নুপী এথলিট য়াওরগা পুন্না শান্নরোয় ২০০ রোম্না শরুক য়ারগা তোঙান তোঙানবা ইভেন্ট কয়াদা অথোয়-অহেন চাংদম্নখি।

ঙসি লোয়শিনবা নুমিৎতা নুপা অমদি নুপীগী ওইবা মিটর লিশিং ১০গী লমজেল, মিটর ১৫০০গী লমজেল, দিসকস থ্রো, মিটর ২০০গী লমজেল, ত্রিপল জম্প, হেমর থ্রো, হাই জম্প অমদি হর্দল হায়রিবা ইভেন্টশিং অসিদা অথোয়-অহেন চাংদম্নখি। ষ্টেট চেম্পিয়ন্সিপ অসিদগী মকোক মথং তারবা শান্নরোয়শিংনা মণিপুর মাষ্টর্স এথলেটিক টিমগী মহুৎ শীন্দুনা মথং চহী ২০২৬কী জন্যুৱারী ৩০দগী ফেব্রুৱারি ২ ফাওবা রাজস্থানগী অজমিরদা পাঙথোক্কদবা ৭ লক শুবা নেশনল মাষ্টর্স এথলেটিক চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬তা ষ্টেট অসিগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারগনি।

ঙসি অরোয়বা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা হাই জম্প ইভেন্টকী চহী ৮৫ মথক্কী নুপাগী কাঙলুপ্তা কাংজম ইবোহলনা গোল্ড লৌখি। লোয়ননা চহী ৮০ মথক্কী নুপাগীদনা এল ইতোনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

নুপীগী হাই জম্প ইভেন্টকী তোঙান তোঙানবা চহী কাঙলুপকীদা আর কে সনাহনবী, টি ঐচ সুবদনি, এ মানবী, এন সুবদনি, এন দসুমতি, পি বিজয়ানা মথংশিংনা চহী ৮০,৭৫, ৭০, ৬৫, ৬০ অমদি ৪০ মথক্কীদা গোল্ড মেদলশিং ফংবা ঙমখি।

হেমর থ্রো ইভেন্টকী নুপীগীদা টি ঐচ কুঞ্জরানী, এ মাঙ্গোলঙানবী, এ মানবী, এন সুবদনি, টি লেনা, ঐচ অনিতা, কে গিতা অমদি এ নেনা মথংশিংনা চহী ৮০দগীনা চহী ৩০ মথক্কীদা অহানবা মফম কন্দুনা গোল্ড মেদলশিং ফংবা ঙমখি।

নুপাগী মিটর ১৫০০গী লমজেলদা বি বাবুয়াইমা, এম সনাতোম্বা, পি রোবিন্দ্রো অমদি এম সঞ্জিবনা মথংশিংনা চহী ৭৫, ৭০, ৬০ অমদি ৪৫ মথক্কী কাঙলুপ্তা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। চপ মান্নবা ইভেন্ট অসিমক্কী নুপীগীদনা এস মধুমতি, টি ঐচ শান্তি, ডা. রঞ্জিতা অঙোম অমদি এন বেনুপতিনা মথংশিংনা চহী ৬০, ৫৫, ৪৫ অমদি ৩৫ মথক্কী কাঙলুপ্তা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

৪৪ রক শুবা ষ্টেট লেভেল মণিপুর মাষ্টর্স এথলেটিক্স মীট ২০২৫দা শরুক য়ারিবা শান্নরোয়শিংগী মরক্তা খ্বাইদগী অহল ওইরবা চহী ৯০ শুরবী মাষ্টর এথলিট টি ঐচ দাসুনা শরুক য়াদুনা হকচাং ফন্না তিঞ্জং-কাইজংদনা লৈনবা হোৎনবদা শান্ন-খোৎনবদা মায় ওনশিনবগী তঙায়ফদবা লৈ হায়বদু হৌরক্লিবা নহারোলশিংদা ময়েক শেংনা উৎলি। খুরাই থৌদাম লৈকায়দগী থৌদাম দাসুনা মমাঙদা পাঙথোকখিবা মাষ্টর এথলেটিক্স মীট কয়াদা ষ্টেট, নেশনল অমদি ইন্টরনেশনলগী থাক্তা মেদল কয়া লৌদুনা মণিপুরগীতা নত্তুনা ইন্দিয়াগী মীংচৎ পুরকপা ঙমখ্রবা এথলিটনি। চহী ৯০ শুরবা ফাওবা হকচাং ফন্না তিঞ্জং-কায়জংদনা লৈরিবা অসি শান্ন-খোৎনবগা লোয়নদুনা মতম শাংনা লাকখিবা অমদি অফবা চীঞ্জাক চাবগী মহয়নি হায়না অহল ওইরবী মাষ্টর এথলিট দাসুগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

অহল ওইরবা মাষ্টর শান্নরোয়শিংগী মনুংদা চহী ৮৫ হেল্লবা মাষ্টর এথলিট কাংজম ইবোহলসু ৪৪ শুবা এথলেটিক্স মীটতা শরুক য়ারি। হাওবম মরক চীংথাম লৈকায়দগী এথলিট অসিসু ষ্টেট, নেশনল অমদি ইন্টরনেশনলগী থাক্তা পাঙথোকপা চেম্পিয়ন্সিপ কয়াদা দিস্কস থ্রো, জেল্লিন অমদি হাইজম্প ইভেন্টশিংদা মেদল কয়া লৌবা ঙমখ্রবা এথলিটনি। হন্দক্কী মীট অসিদসু মহাক্না ইভেন্টশিং অসিদা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। ময়ায় কাবা চীঞ্জাক মখল অমত্তা শীজিন্নদবা, চাং নাইনা শান্ন-খোৎনবা অমদি হকচাং শাজেল তৌবনা চহী ৯০ শুগদৌরবা ফাওবা অনা-অয়েক য়াওদনা তিঞ্জং-কাইজংদনা লৈবা ঙম্বনি হায়না কাংজম ইবোহলনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হৌরক্লিবা নহা কয়ানা ময়ায় কাবা চীঞ্জাক্তগী লাক্না লৈনবা অপিলসু তৌরক্লি।

# ইপা-ইপুশিংনা থন্বীরম্বা লনশিং মাঙহন্দনা য়োকখৎমীন্নবগী তঙাইফদবা লৈঃ সুসিন্দ্রো



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচ এন এস):** লমদম অসিগী লাইওইখ্রবা ইপা-ইপুশিংনা থন্বীরম্বা লনশিংবু মাঙহন্দনা ঐখোয় খুদিংমক্না য়োকখৎমীন্নবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না খুরাই এসেম্বলি কন্সটিটুয়্যেন্সিগী এম এল এ এল সুসিন্দ্রোনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি নুমিৎ মরিনি চুপ্না খুরাই সজোর লৈকায়গী ইমা লাইখুলেম্বী শঙলেন্দা চথরকপা ৩৫ রক শুবা ষ্টেট লেভেল সব জুনিয়র, কেদেট, জুনিয়র অমদি সিনিয়র চৈবি য়েনদম্নবা লোইশিনবগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

ওল মণিপুর চৈবি এসোসিএশন (এ এম সী এ)না শীন্দুনা পাঙথোকপা চৈবি য়েনদম্নবা লোইশিনবগী থৌরম অদুদা ওল মণিপুর চৈবি এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট এল বিরহরি, সঙ্গিৎ নাটক একাদেমী এৱার্দি সী ঐচ রঞ্জিৎ খুমন, এস বি আই শীংজমৈ ব্রাঞ্চকী চীফ মেনেজর এস ঐচ রোমিও, এস বি আই পোরোম্পাৎ ব্রাঞ্চকী দিপ্যুরি মেনেজর রবি লৌরেম্বম অমদি টি দি সী এফকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি টি ঐচ নোবোনচিংবনা অথোয়বা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

মণিপুরদা লৈরিবা অপুনবা থাঙ-তাগী লুপ ১৮দগী নুপা শান্নরোয় ১২৮ অমদি নুপী শান্নরোয় ১১৪ পুন্না শান্নরোয় ২৪২ রোম্না শরুক য়াখিবা চৈবী য়েনদম্নবা অদুদা মিসিকোলনা ওভরওল টিম চেম্পিয়ন ওইখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা খুরাই এ সীগী এম এল এ এল সুসিন্দ্রোনা হায়, চৈবি হায়রিবা মশান্না অসি য়াম্না কান্নবা অমদি ইশা ঙাকথোকচবদা চাওনা মতেং পাংবা ঙম্বা মশান্না অমা ওইরি। মশান্না অসিবু শান্নরিবা শান্নরোয়শিংনা হেন্না মায় পাকপা শান্নরোয় অমা ওইবা ঙম্নবা হোৎনগদবনি হায়খি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা এ এম সী এগী প্রসিদেন্ট এল বিরহরিনা ফোঙদোকখিবদা ৩৫ রক শুবা ওইনা পাঙথোকখিবা য়েনদম্নবা অসিনা শান্নরোয়শিংদা মখোয়গী ওইবা হৈথোই-শিংথোইবা কয়া উথোক্নবা মফম অমা পীরি। মীওইবা ঐখোয়না পোকপদগী শিবা ফাওবগী ওইবগী মনুংদা য়াওরিবা কাঙলোনশিং অসি থাঙ-তাদা ময়েক শেংনা য়াওরি। মীওইবগী লমচৎ-শাজৎ, থকশি-খাশি, হৌনা লোনচৎ কয়া মশান্না অসিদা য়াওই হায়খি।

# এস এফ সী সুগুনুনা এস এ ও ককচিং অদুগা এস দব্লিয়ু সী কৈরকনা এস দি ও পল্লেল মায়থীবা পীখ্রে



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচ এন এস):** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) ককচিংগী প্লেগ্রাউন্দদা চথরিবা ফর্ষ্ট দিভিজন অমদি সুপর দিভিজন ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্ট ২০২৫গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা সুগনু এফ সী সুগনুনা এস এ ও ককচিং অদুগা এস দব্লিয়ু সী কৈরকনা এস দি ও পল্লেল মায়থীবা পীখ্রে।

দি এস এ ককচিংনা শীন্দুনা চথরিবা ২২ রক শুবা কে এস ঐচ লৈহাও দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্ট ২০২৫গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দগী ১৪ শুবা লিগ মেটচতা সুগনু এফ সীনা এস এ ও ককচিং মায়থীবা পীরমখিবনি। ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০ তাবদগী হৌরগা এস এফ সী অমসুং এস এ ওগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি।

টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা বোল পায়বগী চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-১দা মান্ননা লৈবা ঙমখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনসু নাকল অনীমক্না চাংচৎতা বোল পায়বগী চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখি। অদুমওইনমক মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা এস এফ সী সুগনু এস এ ও ককচিংবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীরমখিবনি। এস এফ সীগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু বদলনা অমা অদুগা লেম্বনা অনী চনখিবনি। এস এ ওগী পাঞ্জল অনী অদুনা অশোককুমার অমসুং অমিস্করনা অমমম চনখিবনি।

অমরোমদা, দি এস এ ককচিংনা শীন্দুনা চথরিবা ২১ রক শুবা কিশ্বরকুমার মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্টকী ঙসি অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা ১৫ শুবা লিগ মেটচতনা এস দব্লিয়ু সী কৈরকনা এস দি ও পল্লেলবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীরমখিবনি।

এদ দব্লিয়ু সীগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু ৱাহেংবম সনাতোম্বনা মেটচ অদুগী ২ অমসুং ২২ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

# এস কে ৱাই সীনা বি এম এস সী অদুগা কে ৱাই সী (এন)না এস জে সী থোইখ্রে



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচ এন এস):** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) ইম্ফাল ৱেষ্টনা শীন্দুনা পাৎশোই পার্ট-২গী পময়াল গ্রাউন্দদা চথরকখিবা ৩০ রক শুবা এল শঙ্গিতা দেবী মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫-২৬গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা লিগ মেটচশিংদা এস কে ৱাই সী অৱাং সেকমাই অমসুং কে ৱাই সী নোর্থ খুরখুল টিমশিং মায় পাকখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন (আই দব্লিয়ু দি এফ এ)না শীন্দুনা টিম ৬না শরুক য়াদুনা চথরিবা ফুটবোল লিগ অসিগী ১৬ শুবা লিগ মেটচতা সেকমাই কাংজৈবুং য়ুথ ক্লব (এস কে ৱাই সী) অমসুং বিরচন্দ্র মেমোরিএল স্পোর্টিং ক্লব (বি এস এস সী) তাওবুংখোককী মরক্তা লম্বা তৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা এস কে ৱাই সীগী লাকচনা পাঞ্জল ৪-০দা বি এম এস সীবু মায়থীবা পীরমখিবনি। এস কে ৱাই সীগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ১৭, ৩৬ , ৭৫ অমসুং ৮০ শুবা মিনটতা মথংশিংনা রাজ প্রেম, মাইরিলুংপৌ, রেনেগি অমসুং সেমসননা অমমম চনখিবনি।

অমরোমদা, সলাম জুবিনাইল ক্লব (এস জে সী) সঙাইথেল রোদ অমদি খুরখুল য়ুথ ক্লব (কে ৱাই সী) নোর্থ খুরখুলগী মরক্তা নুংথিং পুং ২.১৫দগী হৌরগা মেটচ শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা বোল পায়বগী চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা অমনা অমগী মায়কৈদা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা কে ৱাই সীনা পাঞ্জল ১-০দা এস জে সীবু মায়থীবা পীরমখিবনি। কে ৱাই সীগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু অর্জুননা চনখিবনি।

# অতিয়া ফুটবোল স্কুল অমসুং কৈশিং এফ এ কৈশামথোং ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচ এন এস):** শীংজমৈ পীশুম হাও গ্রাউন্দদা লৈবা মল্টি স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথরিবা অহানবা সী ৱাই এল সী গ্রাস রুট অন্দর ১১ বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫গী ফাইনেলদা অতিয়া ফুটবোল স্কুল, এন বি সী এ তাকয়েল খোংবাল অমদি কৈশিং এফ এ কৈশামথোং টিম অনীনা থা অসিগী ১৬কী নুংথিল পুং ৩ তাবদা চেম্পিয়ন ট্রোফিগীদমক অকনবা লম্বা তৌনরগনি।



চীংঙামথক য়ুথ লার্নরস ক্লব (সী ৱাই এল সী) শীংজমৈ চীংঙামথক্না শীল্লগা তোঙান তোঙানবা টিম ১৬না গ্রুপ মরিদা শরুক য়ারগা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অহানবা গ্রাউন্দগী শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা অতিয়া ফুটবোল স্কুল এন বি সী গী তাকয়েল খোঙবালনা আর এফ সী পাঙ্গৈ টিমবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীরগা ফাইনেল চঙবা ঙম্বা অহানবা টিম ওইখি। অতিয়া ফুটবোল স্কুলগী মায়কৈদগী মায় পাকপগী পাঞ্জল অহুম অদু মাইকেলনা অনী অদুগা কেনিসননা অমা চনখিবনি। লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতনা কৈশিং এফ এ কৈশামথোংনা গোল্ডন এফ এ পেলেস কম্পাউন্দবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীরগা ফাইনেল চঙখিবনি।

# বিজ্ঞান কোঞ্জেংবমনা কুমিটে ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখ্রে

**য়াইরিপোক, ওক্টোবর ১৪ (ঐচ এন এস):** নোর্থ ইষ্ট স্পোর্টস করাটে ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়া (এন ই এস কে এফ আই)গী মীৎয়েং মখাদা অরুনাচল প্রদেস এমেচর করাটেদো এসোসিএশন (এ পি এ কে এ)না য়ুম্ন ওইরগা থা অসিগী ১১দগী ১২ ফাওবা নুমিৎ নীনি চুপ্না অরুনাচল প্রদেশকী কোনুং ইটানগরদা পাঙথোকখিবা সব-জুনিয়র, কেদেট জুনিয়র অন্দর ২১ অমসুং সিনিয়র ৪ রক শুবা কে আই ও নোর্থ ইষ্ট জোন করাটে চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫দা মণিপুরগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারুবা বিগ্যান কোঞ্জেংবমনা কেদেটকী কেজি ৫৭কী কুমিটে ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেদল অমা লৌদুনা লমদমসিগী মীংচৎ পুরকপা ঙমখ্রে।




চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা শরুক য়ারুবা শান্নরোয়শিং, কোচ অমদি ওফিসলশিং ঙসি নুমিদাংৱাইরম ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ এয়রপোর্টতা থুংলখিবগা লোয়ননা লৈকায় অমদি ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা হরাও-তরাম্না ওক্তুনা পুক্লিং থৌগৎখ্রে। পনবা য়াবদি, বিগ্যান কোঞ্জেংবম ইম্ফাল ইষ্টকী অন্দ্রো এ সীগী মনুং চনবা য়াইরিপোক টোপ চিংথাদগীনি।

# ইন্টর স্কুল ত্রায়ল সিলেক্সন পাঙথোক্লগনি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (ঐচ এন এস):** দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিসর বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টনা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ইন্টর স্কুল ত্রায়ল সিলেক্সন ২০২৫-২৬ পাঙথোক্লগনি। হায়রিবা ত্রায়ল সিলেক্সন অসিদা শরুক য়ানিংবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈরিবা স্কুলশিংদা ইলিজিবিলিটি ফোর্ম দি ৱাই এ এস ও ওফিস বিষ্ণুপুরদা অয়ুক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ২ ফাওবগী মনুংদা লাক্লবা লৌরগা য়াগনি। ত্রায়ল সিলেক্সন অসি কুরাস, ফেন্সিং অমসুং ৱেথলিফটিংগী ওইনা পাঙথোক্কদবনি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1622**

**Kevin Chung (2070) - FM Andrija Obad (2279)**
**Titled Tuesday 16th June chess.com INT (2), 2020.06.16**

1.e4 c5 2.d4 d6 3.dxc5 Qa5+ 4.Nc3 Qxc5 5.Be3 Qc7 6.Nd5 Qd8 7.c4 Nc6 8.f4 e6 9.Nc3 Nf6 10.Bd3 Be7 11.g4 h6 12.Qf3 Nb4 13.O-O-O Qa5 14.Bb1 Bd7 15.g5 hxg5 16.fxg5 Nh5 17.g6 fxg6 18.Qg4 O-O-O 19.Nge2 Nc6 20.Qxg6 Ne5 21.Qg1 Kb8 22.b3 Rc8 23.Kb2 Bc6 24.Nd4 Bd7 25.Ndb5 Bxb5 26.Nxb5 Rxc4 27.bxc4 Nxc4+ 28.Ka1 Qxb5 29.Bd4 Rc8 30.Bd3 Bf6 31.Rb1...

**QUESTION : Black to win**

**Puzzle 1621 Solution :**

**32. ...Rh1+** *The black rook deflects White's knight away from protecting the square g4. Opening the line from g2 to e2.* **33.Nxh1 Rg1+** *The black rook attacks White's king, which is defending the square g2.* **34.Ke2 Qg4+ 35.Nf3**

*35.Kf2 Qg2#*

**35. ...Qg2+ 36.Nf2 Qf1+** *The black queen forks White's king and knight. The black queen attacks White's king, which is defending White's knight.* **37.Kd2 Qxf2#**

**0-1**







HL-B/9907/14


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com